ইন্দিয়া, জপাননা এভিএসন, ট্রেদ অমদি সাইন্সকী য়াওনা এগ্রীমেন্ট ১৫ সাইন তৌনখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়া অমসুং জপাননা ঙসি সিভিল এভিএসন, ট্রেদ, সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি অমসুং স্কিল দিভলপমেন্ট য়াওনা মরুওইবা এগ্রীমেন্ট ১৫ সাইন তৌনখ্রে।

ওফিসল ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্স অমদি জপানিজ গভর্ণমেন্টকী কেবিনেট ওফিসনা সাইন তৌনখিবা দিজাষ্টর রিস্ক মেনেজমেন্টকী এগ্রীমেন্ট মতুংইন্না লৈবাক অনী দিজাষ্টরগী রিস্ক হন্থহন্নবা হোৎনবদা মতেং পাংনরগনি। স্কিল দিভলপমেন্টকী মখাদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা জপানিজ লোল তমহন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

ইন্দিয়া-জপান ইনভেষ্টমেন্ট প্রমোসন রোদ মেপ কৌবা এগ্রীমেন্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা জপানন্না ইনভেষ্ট তৌবগী চাং হেনগৎলগনি। জপান-ইন্দিয়া স্পেসল প্রোগ্রাম ফোর মেক ইন ইন্দিয়াগী মখাদা নাকল অনী মতেং পাংনদুনা গুজরাটকী মন্দল বেচরাজ-খোরাজ রিজনদা ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎ-শাগৎলগনি। সিভিল এভিএসনগী মতাংদা খূৎয়েক পীনখিবা রেকোর্দ ওফ দিস্কসন (আর ও দি)গী মতুংইন্না ইন্দিয়া অমদি জপানগী এয়রলাইনশিং লৈবাক অনীগী অপান্থা সীটিদা মশীং থীঙমদনা ফ্লাইট সার্ভিস তৌবা য়ারগনি।

দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজি অমসুং জপানগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ এদভান্স সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা সাইন তৌনখিবা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু)গী মতুংইন্না লাইফ সাইন্স অমদি বাইওটেক্নোলোজিদা রিছার্স তৌবদা ইন্সটিট্যুসন অনীনা মতেং পাংনরগনি।

ইন্দিয়া-জপান এক্ট ইজ ফোরম এগ্রীমেন্টকী মতুংইন্না অৰাং-নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী মফমদা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়রি। স্পোর্টসকী লম্দা লৈবাক অনীনা এগ্রীমেন্ট মরি সাইন তৌনখি। হায়রিবা এগ্রীমেন্টশিং অদুগী মখাদা স্পোর্টস ওঠোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমসুং নিপোন স্পোর্টস সাইন্স য়ুনিভর্সিটিনা হীরম কয়াদা মতেং পাংনদুনা স্পোর্টস চাউখৎহন্নবা হোৎনরগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং জপানগী মহাক্কা ফম মান্নবা সিঞ্জো অবেনা ঙরাং অহমেদবাদ অমদি মুম্বাইগী মরক্তা চেনগদবা ইন্দিয়াগী অহানবা বুলেট ট্রেন প্রোজেক্টকী উরেপ-উয়ুং তন্বা লৈখ্রবনি।

লুপা ক্রোর লাখ ১.০৮ (দোল্লর বিলিয়ন ১৭) চঙনা অহমেদবাদতগী মুম্বাই ফাওবা কিলোমিটর ৫০৮ শাংবা হায় স্পীদ রেল প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা লুপা ক্রোর ৮৮,০০০ লোন ওইনা পীবীরকপগীদমক জাপানিজ প্রাইম মিনিষ্টর সিঞ্জো অবেবু থাগৎপা ফোঙদোকখি। চহী ৫০ চঙনা শিংগদবা লোন অসিগী শেন্দোয় চহীদা শুপ্নগী চাদা ০.১নি। চহী ১৫গী মতুংদা লোনগী শেনফম শিংগৎপা হৌগদবনি হায়রি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিবু অশেংবা মরূপনি হায়না শীংথারদুনা সিঞ্জো অবেনা হায়খি, ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা মীৎয়েং শানবা মরম্না লৈবাক অসি খোঙজেল য়াঙনা মাঙলোমদা চঙশিল্লক্লি।

রাম রহিমনা মী হাৎখিবগী মতাংদা চখ্থগদৌরিবা হিয়ারিংগীদমক পঞ্চকুলাদা সিক্যুরিটি কনখৎখ্রে

পঞ্চকুলা, সেপ্টেম্বর ১৫(এজেন্সী):

হরিয়ানাগী পঞ্চকুলাদা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুরমীট রাম রহিম সিংহনা মী হাৎখিবগী মতাংদা হয়েং চখ্থগদৌরিবা হিয়ারিংগা মরী লৈননা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

সিরসাদা বেজ তৌবা জর্নেলিষ্ট রাম চন্দর ছত্রপতি অমসুং দেরাগী মেনেজর ওইরম্বা রঞ্জিৎ সিংহ হাৎখিবগী মতাংদা হয়েং সী বি আইগী স্পেসল জজ জগদিপ সিংহগী কোর্টতা হিয়ারিং চখ্থরগনি। ওগষ্ট ২৫ দা কোর্ট অসিমক্না গুরমীট রাম রহিম সিংহবু নুপী তুংইনবী অনী নমদুনা ফন্নানখিবগী মতাংদা মরাল লৈরে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

হরিয়ানাগী দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস বি এস সন্ধুনা হায়খি মদুদি, সেক্টর অমদা লৈবা কোর্ট কমপ্লেক্সকী অকোয়বদা পেরা মিলিটরি অমসুং হরিয়ানা পুলিসকী পার্সনেল কয়ামরুম থমদুনা মতিক চাবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে। মমাঙদা রেপ কেসকী হিয়ারিং চখ্থিবা মতমদা দেরাগী তুংইনবা মীওই লাখ ১ রোম পঞ্চকুলাদা তিনখিবগুম হন্দক্তি টাউন অসিদা মীওই অমত্তা তিনবা থেংনদে হায়না পুলিস ওফিসরশিংনা ফোঙদোকখি। অতোপ্পা পুলিস ওফিসল অমনা হায়খি, সী বি আইগী স্পেসল কোর্টতা হয়েং হিয়ারিং চখ্থবা মতমদা দেরাগী লুচিংবা রাম রহিম মশা পুথোক্লোই। রোহটক মনাক্তা লৈবা সুনারিয়াগী দিষ্ট্রিক্ট জেলদা থল্লিবা রাম রহিমবু ভিদিও কনফরেন্সকী খূত্থাংদা হিয়ারিং চখ্থগনি হায়রি।

কুমজা ২০০২ দা ছত্রপতি অমসুং রঞ্জিৎ সিংহ হাৎখিবগী মতাংদা রাম রহিমগী মথক্তা মরাল শীদুনা লাকখিবনি। দেরাগী লুচিংবা অসি মহাক্কী তুংইনবী নুপী অনী ফন্নানখি হায়বগী মরালদা চহী ২০ কৈদ্শুমশঙদা থম্নবা সী বি আইগী স্পেসল কোর্টনা ওগষ্ট ২৮ দা ৰায়েল পীবা লৈখ্রে।

হরিয়ানা পুলিসনা গুরমীট রাম রহিমগী মথক্তা চখ্থবা ইনভেষ্টিগেসন পাকথোক চাউথোকহনখিবগা লোয়ননা দেরা সচা সৌদাগী ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজি (আই টি)গী মকোক সিরসাদগী ফাবা লৈখ্রবনি। ফারবা মীওই অদু বিনিট কৌই হায়রি। রেপ কেসতা মরাল লৈরম্বগীদমক গুরমীটনা জেল চঙখ্রবা মতুংদা মীওই অসি লোৎতুনা লৈরকখিবনি।

অমরোমদা, ওঠোরিটিশিংনা রাম রহিমগী য়োকচবী মচানুপী হনিপ্রীট ফানবা থৌরাং লৌখৎলি। মশানা মশাবু তাইবং মপূগী শায়োননি হায়জবা রাম রহিম নাম্থোকহন্ননবা থৌরাং তৌবদা চেন্নে হায়বগীদমক হনিপ্রীট ইনসানগী মথক্তা সিদিসনগী চার্জ তৌরি।

মমাঙদা বাথিন্দা দিষ্ট্রিক্টকী সলাবর্টপুরাদা লৈবা দেরা সচা সৌদা সেন্টরগী ইন-চার্জসু পঞ্জাব পুলিসনা ফাবা লৈখ্রবনি। জোরা সিংহ কৌবা মীওই অসিগী মথক্তসু সিদিসনগী চার্জ তৌরি। পঞ্চকুলাগী কোর্টতগী গুরমীট রাম রহিম নাম্থোকহনখিনবা থৌরাং তৌবদা জোরা সিংহসু শরুক য়াখি। মহাকপু সিদিসন য়াওনা ইন্দিয়ন পেনাল কোদ (আই পি সী)গী তোঙান-তোঙানবা সেক্সন কয়াগী মখাদা চার্জ তৌরি।

মথং থাদা রাহুলনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী ফম পায়রবা য়াই : বিরাপা মোইলি

হাইদ্রবাদ, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

মথং থাদা রাহুল গান্ধীনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্টকী ফম পায়রবা য়াই হায়না পার্টিগী সিনিয়র লীদর বিরাপা মোইলিনা ফোঙদোকখ্রে।

পি টি আইগা উনবদা মোইলিনা হায়খি, কোংগ্রেস মনুংদা লৈরিবা মীপুম খূদিংমক্না রাহুলবু প্রসিদেন্ট ওইহনবা পাম্লে। অথুবা মতমদা ওর্গনাইজেসনগী মীখল পাঙথোক্লগা মহাকপু প্রসিদেন্ট ফম পায়হল্লবা য়াই। রাহুল পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইরকপা তারবদি কোংগ্রেস খক্তগী নৎতনা লৈবাক অসিগী ওইনসু কান্নবা কয়া পুরক্কনি হায়না মোইলিনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, ষ্টেটকী থাক্তা পার্টি মনুংগী মীখল থা অসিগী মনুংদা লোইশিল্লবা য়াই। এ আই সী সীগী থাক্তা পাঙথোক্কদবা মীখলনা মথং থাদা লোইশিল্লবা য়াই।

গান্ধী ফেমিলিগী নহা ওইরিবা লুচিংবা অসিদা মপুং ফানা থাজবা থম্লদুনা কর্নাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মোইলিনা হায়খি, নহা ওইরিবা রাহুলনা কোংগ্রেসপু অনৌবা মায়ওন অমা পীবগা লোয়ননা লৈবাক অসি অৰাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙমগনি হায়বগী থাজবা লৈরি।

লাক্কদৌরিবা কর্নাটাকা এসেমব্লিগী মীখলগা মরী লৈননা মহাক্না হায়খি, হীরম খূদিংমক্তা মশাগী ৰা ঙাকপা ঙমদ্রবা বি জে পিনা অমুক হন্না লৈঙাক পায়রকপা ঙল্লরোই। সেন্টরদসু কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোকসভা মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ মায়থীবা ফংলগনি।

পনবা য়াবদি, কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা প্রাইম মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনবা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়না কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

কোংগ্রেসনা ইমুং অমখক্কী মীওইশিং প্রাইম মিনিষ্টর ওইহন্নবা থৌরাং লৌখৎতুনা লাকখি হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহ অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মরাল শীরকখিবগী মতাংদা রাহুল গান্ধীনা হায়খিবনি, মালেমগী লৈবাক অয়াম্বদা থৌওং অসি অদুমক চৎনৈ।

রাহুল গান্ধীনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা শেম শারে হায়না মীয়াম মাঙদা লাউথোকপা হন্দক্না অহানবনি।

জি এস টিনা কোনশিল্লবদি পেট্রোলগী মমল হন্থরক্কনি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

পেট্রোলিয়মগী পোথোক পুন্নমক গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (জি এস টি)না কোনশিনগদবনি হায়না ওইল মিনিষ্টর ধর্মেন্দ্র প্রধাননা হন্দক্তা ফোঙদোকপ্রবা মতুংদা গভর্ণমেন্টনা ৰাফম অসি থবক ওইনা লৌখৎলক্দ্রা হায়না মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি।

হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি মদুদি, করিগুম্না জি এস টি কাউন্সিলনা প্রধানগী ৰাফমদা অয়াবা পীবা তারবদি থাউগী মমল কা হেন্না হন্থহনবা ঙমগনি।

রিপোর্ট অমনা হায়খি, পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং জি এস টিগী মনুং চলহনবগা লোয়ননা চাদা ১২গী চাংদা টেক্স লৌবা মতমদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল দিল্লিদা লুপা ৩৮.১ ওইগনি। করিগুম্না চাদা ১৮গী চাংদা টেক্স লৌরগনা লিটর অমদা লুপা ৪০.০৫ পীগনি। চাদা ২৮গী চাংদা জি এস টি লৌবা তারবসু দিল্লিদা পেট্রোল লিটর অমগী মমল লুপা ৪৩.৪৪ ওইগনি হায়রি। দিজলগী ওইনসু চাদা ১২গী চাংদা জি এস টি লৌবা মতমদা দিজল লিটর অমগী মমল দিল্লিদা লুপা ৩৬.৬৫ ওইগনি। চাদা ১৮ অমসুং চাদা ২৮গী চাংদা জি এস টি লৌরগনা লিটরদা মথংশিংনা লুপা ৩৮.৬১ অমসুং লুপা ৪৮.৮৮ পীগনি হায়রি। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০১৪গী নবেম্বর অমসুং কুমজা ২০১৬ কী জান্যুৱারী থা ফাওবগী মনুংদা পেট্রোল অমদি দিজলদগী লৌবা এক্সাইজ দ্যুটি ৯লক হেনগৎহনখি। পেট্রোলগী ওইনা লিটরদা লুপা ১১.৭৭ অমসুং দিজলগীনা লুপা ১৩.৪৭ হেনগৎখি।

গৌরি লঙ্কেশকী মীশি থিগৎলিবা এস আই টিদা সী আই দিনা মতেং পাংলগনি

বেঙ্গলুরু, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

গৌরি লঙ্কেশকী মীশি থিগৎলিবা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি)দা সী আই দিনা রেস্পেক্লিষ্ট এম এম কালবর্গী লৈখিদবগা মরী লৈননা চখ্থরিবা ইনভেষ্টিগেসনগী অকুপ্পা ৰারোল পুন্নমক খঙহল্লগনি হায়না মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সেপ্টেম্বর ৫ দা লঙ্কেশপু ময়ুম মনাক্তা মোটোর সাইকল তোংদুনা লাকপা শকখঙদবা মীওই খরনা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি। মীহাৎ অদু রেস্পেক্লিষ্ট গোবিন্দ পন্সারে, নরেন্দ্র দভোল্কর অমসুং কালবর্গী হাৎখিবগী মওংগা চপ মান্নখি।

এদিসনেল দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (সী আই দি) সী এচ প্রতাপ রেদ্দিনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, কুমজা ২০১৫ গী ওগষ্টতা গোবিন্দ পন্সারে, নরেন্দ্র দভোল্কর অমসুং কালবর্গী হাৎখিবদা চপ মান্নবা পিষ্টোল অমখক শীজিন্নখি হায়বা সী আই দিনা খঙবা ঙল্লে। হায়রিবা মীওইশিং অদুনা গৌরি লঙ্কেশসু হাৎলম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী এস আই টিনা ৰাফম অসিগা মরী লৈননা থিজিন্দুনা লাকখিবনি।

সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অমসুং এক্টিভিষ্ট গৌরি লঙ্কেশ হাৎখিবগী মতাংদা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা কর্নাটাকা গভর্ণমেন্টনা লুপা লাখ ১০গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। অখন্নবা টেলিফোন নম্বর অমদি ঈ-মেল আই দিদা মীয়াম্না থৌদোক অদুগী মতাংদা পাউ পীবীরকউ হায়না সীটি পুলিসনা আপিল তৌখ্রবা মতুংদা হোম মিনিষ্টর রামালিঙ্গ রেদ্দিনা হায়খি, পাউমী হাৎখিবগী মতাংদা লংলা-লংজিন পুথোকপা ঙম্বা মীওইদা লুপা লাখ ১০গী মনা পীরগনি।

চীফ মিনিষ্টর সিদারামায়ানা খোঙজেল য়াঙনা ইনভেষ্টিগেসন চখ্থবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মরাল লৈবা মীওইশিং ফানবা পাউতাক পীরক্লে। এস আই টিদা ওফিসর কয়ামরুম য়াওহনবগা লোয়ননা পাক শন্না ইনভেষ্টিগেসন চখ্থবা হৌরে হায়না হোম মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কম্যুনিষ্টকী ৰাখল্লোন চেনবা গৌরি লঙ্কেশপু সেপ্টেম্বর ৫গী নুমিদাংদা শকখঙদবা মীওইশিংনা ময়ুম মনাক্তা নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।

এপেক্স কোর্টনা ব্লু হ্বেলগী মতাংদা সেন্টরগী পাউখুম কৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ গেমনা মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা অঙাং কয়ামরুম শিহনখিবগী মতাংদা মশাগী চহী ৭৩ শুরবা মীওই অমনা থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন মতুংইন্না সেন্টরগী পাউখুম পীরক্নবা সুপ্রিম কোর্টনা খঙহনখ্রে। হীরম অসিদা এটোর্নি জেনরেল কে কে ভেনুগোপালনা মতেং পাংবীরক্নবসু এপেক্স কোর্টনা খঙহনখি।

চীফ জষ্টিশ দিপক মিস্রা, জষ্টিশ এ এম খনৱিলকর অমসুং জষ্টিশ দি ৰাই চন্দ্রচুদকী বেঞ্চনা চয়োল অহুমগী মনুংদা পাউখুম পীরক্কদবনি হায়না সেন্টরদা নোটিশ থাখি।

এদভোকেট এন এস কোনায়ানা ওনলাইন গেম অসিগী মতাংদা মীপুম খূদিংমক ৰাখল তাহনগদবনি হায়না পুখৎলকখিবগা লোয়ননা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা এপেক্স কোর্টনা হিয়ারিং চখ্থনবগী অয়াবা পীবা লৈখ্রবনি।

মীদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না সেপ্টেম্বর ৫ ফাওবদা ব্লু হ্বেল গেম শান্নবদগী মালেমগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা মীওই ২০০ রোম শিখ্রে হায়রি। লৈখিদ্রবা মীওই অয়াম্বা মশাগী চহী ১৩ অমসুং ১৫গী মনুংদা লৈবা অঙাং ঙাক্তনি।

খূদোংথীনিংঙাই ওইবা ওনলাইন গেম ব্লু হ্বেল চেলেঞ্জ থিংনবগী মতাংদা থাঙ্গৎলকখিবা পি আই এল অমগা মরী লৈননা এফিদেবিট ফাইল তৌরক্নবা বোম্বে হায় কোর্টনা য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টতা খঙহনবা লৈখ্রবনি।

সিটিজন সর্কল ফোর সোসল ৰেলফেয়র এন্দ এদুকেসন কৌবা এন জি ও অমনা খূদোংথীনিংঙাই ওইরবা ওনলাইন গেম অসি থিংজিন্নবা পি আই এল অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

চীফ জষ্টিশ মঞ্জুলা চেলুরনা লুচিংবা বেঞ্চ অমদা সেন্টরগী মায়কৈদা লেপখিবা এদভোকেট হিটেন ভেনিগা-উনকরনা হায়খি মদুদি, চপ মান্নবা কেস অমা গুজরাট হায় কোর্টতা পন্দুনা লৈরি। গেম অসিগী মতাংদা সেন্টরনা পীখিবা চেকশিন ৰারোল পুন্নমক গুজরাট হায় কোর্টতা ময়েক শেংনা খঙহনবা লৈখ্রে। ৰাফম অদু তারবা মতুংদা চীফ জষ্টিশ মঞ্জুলা চেলুরনা হায়খি, য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনা চয়োল অমগী মনুংদা হীরম অসিগা মরী লৈননা এফিদেবিট অমা ফাইল তৌরক্কদবনি।

রোহিনজাগী মতাংদা ওৱাইসিনা মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

হাইদ্রবাদ, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা লৈরিবা রোহিনজা মুস্লিম রেফ্যুজীশিং নমদুনা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা ওল ইন্দিয়া মজলিস-ঈ-ইতেহাদ-উল মুস্লিমিন (এ আই এম আই এম)গী লুচিংবা অসাদউদ্দিন ওৱাইসিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

মীয়ামগী মীফম অমদা ৰা ঙাঙখিবদা লোক সভাগী এম পি ওইরিবা ওৱাইসিনা হায়খি, বাংলাদেশকী অইবী তস্লিমা নসরিনবু লৈবাক অসিদা লৈহনবা য়ারগা প্রাইম মিনিষ্টরনা রোহিনজা মুস্লিমশিংবু ইচিল-ইনাও অমদি মরূপ-মপাং ওইনা খনবা ঙমদবগী মরম করিগীনো।

তালিম রেফ্যুজী ৬৫,০০০ ইন্দিয়াদা লৈহনবগী মতাংদা খূদম পীরদুনা ওৱাইসিনা হায়খি, হায়রিবা মীওইশিং অদু লৈহনবা য়ারগা রোহিনজা মুস্লিমশিং লৈহল্লোইদবগী মরম করিগীনো হায়বা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনগদবনি।

মহাক্না হায়খি, ইন্দিয়াদা টিবেটান রেফ্যুজী লাখ ১ হেন্না লৈরি। মদুগীসু মথক্তা টিবেটান লুচিংবা দলাই লামাসু চঙজফম পীরি। বাংলাদেশতগী চঙলকপা চাকমা কয়া অরুনাচল প্রদেশতা লৈহল্লগা রোহিনজাশিং তাম্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়ানিংদে।

ইন্দিয়ানা রোহিনজা মুস্লিমশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎলকপগী থৌওংবু য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ন্যু দিল্লিনা সিক্যুরিটিগী ওইবা ৰাফমদা য়ূম্ফম ওইরগা রেফ্যুজীশিং হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎপনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

জেনেভাদা পাঙথোকখিবা হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মীফম অমদা য়ু এন হ্যুমেন রাইটস কাউন্সিলগী মকোক জিদ রাদ অল-হুসেননা হায়খিবনি মদুদি, ইন্দিয়ানা রোহিনজা মুস্লিমশিং ম্যান্মারদা হলহনখিনবা থৌরাং লৌখৎফম থোক্তে।

পাকিস্তাননা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান অমা শিখ্রে

শ্রীনগর, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী আর এস পুরা সেক্টর অমসুং আর্নিয়া ইন্টরনেসনল বোর্দর এরিয়াদা পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্স (বি এস এফ)কী জৱান অমা শিখ্রে।

পাকিস্তাননা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা তরুল্লক শুবা ওইনা ঙমখৈদা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা লৈখিদ্রবা জৱান অদু কন্সটেবল ব্রিজেন্দ্র বহাদুর সিংহ কৌই হায়রি।

বি এস এফকী ছোর্স অমনা হায়খি, আর্নিয়া সব সেক্টরগী ইন্টরনেসনল বোর্দর মনাক নক্না লৈবা খুঙ্গংশিংদা পাকিস্তাননা ঙসি নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী বি এস এফনসু খূৎ হন্দুনা নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি। ঙমখৈ মনাক নক্না লৈবা খুঞ্জাশিং খূদোংথীবা থোরকপা য়াই খনবদগী মীপাইনরি। অদুমওইনমক ঙমখৈগী শরুক পুন্নমক বি এস এফকী জৱানশিংনা চেকশিন্না ঙাক শেল্লিবা মরম্না থোইদোক্লা খূদোংথীনিংঙাই ওইদে হায়রি।

হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিৎতসু পাকিস্তাননা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক নক্না লৈবা ইন্দিয়ন আর্মি ফোরৱার্দ পোষ্ট অমদি খুঙ্গংশিংদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। কুমজা ২০১৪গী মতুং তারকপদা পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপগী থৌদোক ৪০০ হেন্না থোকখ্রে।

ঙরাংসু পাকিস্তাননা সিজ ফায়র থুগায়দুনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা ইন্টরনেসনল বোর্দর অমদি লাইন ওফ কন্ট্রোল মনাক্তা নোংমৈ কাপশিল্লকপদা বি এস এফকী জৱান ২ য়াওনা মীওই ৫ শোকপা লৈখ্রবনি।

পাকিস্তান রেঞ্জরসনা অখনুরগী পরগৱাল সেক্টরদা ব্রহ্মন বেলা অমসুং রাইপুর বোর্দর আউটপোষ্টতা নোংমৈ কাপশিল্লকখি। ইন্টরনেসনল বোর্দরদসু মোর্টার সেল কয়ামরুম কাপশিল্লকপদগী বি এস এফনা খূৎ হন্দুনা নোংমৈ কাপ্পদা নাকল অনী অকনবা মওংদা খূৎ থোক্লখি।

থৌদোক অদুদা মীচম অহুম অমসুং বি এস এফকী জৱান অনী অশোক-অপন নংলে হায়না পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি। সেপ্টেম্বর ১ দসু পাকিস্তাননা ঙমখৈ ৰাংমদগী নোংমৈ কাপশিল্লক-পদা পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী কৃষ্ণ ঘাটি সেক্টরদা লৈবা ফোরৱার্দ পোষ্ট অমদা মথৌ তৌরম্বা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী এসিষ্টেন্ট সব-ইন্সপেক্টর কমলজিৎ সিংহ অশোক-অপন নংখি। ওগষ্ট ৩১ দসু পাকিস্তাননা রাজোরি দিষ্ট্রিক্টকী নাওসেরা সেক্টরদা সিজ ফায়র থুগায়দুনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা লৈখ্রে।

র্যান : মহৈরোয় শিখিবগী মতাংদা অর্টেমিস হোস্পিটালগী সী সী টি ভি ফূটেজ পুথোরকখ্রে

গুরুগ্রাম, সেপ্টেম্বর ১৫ (এজেন্সী):

র্যান ইন্টরনেসনল স্কুলদা মহৈরোয় অমা হাৎখিবগী মতাংদা অনৌবা সী সী টি ভি ফূটেজ অমা পুথোরকখ্রে।

অর্টেমিস হোস্পিটালগী ভিদিও অদুদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা প্রদ্যুমান থাকুরবু হোস্পিটাল মনুংদা পুশিল্লকপা উখি। অয়ূক্কী পুং ৮.৩৭ তাবদা প্রদ্যুমান পুবা এম্ব্যুলেন্স অমা হোস্পিটালদা থুংলখি। মীওই অমা এম্ব্যুলেন্সতগী থোরক্লগা সিক্যুরিটি গার্দতা ৰাফম খরা ফোঙদোক্লবা মতুংদা ৰার্দ বোই খরা গাড়ী অদু তম্না চেনশিনখি। মখোয়না থাকুরবু ষ্ট্রেচর অমদা হাপ্পগা ইমর্জেন্সি ৰার্দতা পুশিনখি হায়রি।

র্যান স্কুলগী ওঠোরিটিশিংনা অহানবদা প্রদ্যুমানবু মনাক নকপা হোস্পিটাল অমদা পুখৎখি। ফীভম খরা লুবা মরম্না অঙাং অদুবু অর্টেমিস হোস্পিটালদা রিফর তৌরকখিবনি। শুপ্নগী ক্লাস টু তম্বদা ঙাইরিবা মহৈরোয় অদু অর্টেমিস হোস্পিটালদা পুখৎলকপগী লম্বীদা শিখিবনি হায়রি।

র্যান ইন্টরনেসনল গ্রুপকী ট্রষ্টী অহুম্না ট্রাঞ্জিট এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা হায়জরকপদা বোম্বে হায় কোর্টনা অয়াবা পীখিদ্রবনি। অদুমওইনমক আপিল ফাইল তৌনবগী মতম পীবা ওইনা মখোয় অহুম্ব ইরাই নুমিৎ ফাওবা ফাবা য়াদনবগীদমক ইন্টরিম প্রোটেক্সন পীখি।

জষ্টিশ অজয় গদকারিনা র্যান গ্রুপকী সী ঈ ও র্যান পিন্টো, ফাউন্দিং চেয়রমেন ওগষ্টিন পিন্টো অমদি মেনেজিং দিরেক্টর গ্রেস পিন্টোবু মুম্বাই পুলিস কম্মিস্নরদা মখোয়-মখোয়গী পাসপোর্ট পীশিন্নবা খঙহনখি।

সেপ্টেম্বর ৮ দা র্যান গ্রুপনা চল্লাইবা গুরগাউনগী স্কুল অমদা মশাগী চহী ৭ শুবদা ঙাইরিবা নুপামচা অমা টোইলেট মনুংদা শিদুনা লৈরম্বগী মতাংদা ট্রাঞ্জিট এন্টিসিপেটরি বেল পীবীনবা পিন্টো ফেমিলিনা হায় কোর্টতা হায়জখিবনি।

অচুম্বা ৰায়েল ফংনবগীদমক পিন্টো ফেমিলিগী মীওইশিংদা বেল পীরোইদবনি হায়না লৈখিদ্রবা নুপামচা অদুগী অপোকপা বারুন থাকুরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। অঙাং শিখিবগী থৌদোক্তা মপুং ওইনা চেন্নবনি হায়বা স্কুলগী বস কন্দক্টর অশোক কুমার পুলিসনা ফাবা লৈখ্রে।

সেপ্টেম্বর ৮ দা প্রদ্যুমানবু স্কুলগী ৰাশরুমদা মঙক লেন্থুৎলগা হাৎলম্বগী মতাংদা থিগৎলিবা ফেক্ট ফাইন্দিং কম্মিটিনা স্কুলগী মায়কৈদা অশোয়বা কয়ামরুম থেংনরকখি। মরুওইনা দ্রাইভর, কন্দক্টর অমদি অতৈ ষ্টাফ মেম্বরশিং পুলিস ভেরিফিকেসন তৌরমদবা অমসুং স্কুলগী বাউন্দরি ৱাল নিংখায়রম্বা থেংনখি।

মহৈরোয় হাৎখিবগী থৌদোক অসিদা অতোপ্পা অহুমশুবা মীওই অমা চেন্নরম্বা য়াই হায়না এস আই টিগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রবনি।

HelpingHand Health Care
Keisampat Konjeng Hajari Leikai, Near: Oil Pump, Tiddim Road, Imphal West.
Phone: 7085500324 / 0385-2051738
FREE O.P.D.
for First 4 Patient Everyday till Date 30 Sept. 2017 Time from 6 a.m.-2 p.m.
* ACUPRESSURE & PHYSICAL THERAPY
* HOMEOPATHIC
TIME : 6 AM TO 9 AM Date 13th - 16th Setp. 2017
WANTED 3 ACUPRESSURIST
Interview Date 15/09/2017, Time: 11. a.m. Salary Negotiable

HELPINGHAND AGAINST POVERTY
HELPINGHAND GROUP
Rs.4,00,000/- (4 Lakh)
Lottery cum Tender - STOP PAYMENT SAVING SCHEME -
Half Monthly - Per Draw Rs.1000/- Lottery on 20th Sept. Join till date.

WANTED 4 STAFFS

S.No.	Requirment Post	Qualification	Nos.	Salary
1	Office Supervisor	Graduate	1	Rs.8000 - 12000
2	Field Executive Officer	XII Passed	2	Rs.5000 - 7000

Form Available at Office.
Submission Lasted on 18th September

অশীকপা শেন্দোইদা GROUP লোনসু লৌবীয়ু !

HelpingHand Finance Service (Office hrs. 10 pm - 5pm) Please Visit Office.
(Govt. Registered) Head office: Paona Bazar, The Manipur Women's Co-operative Bank Building, Imphal, Phone. 0385-2051738/ 8974877505

HL-B/4122/12to21 Sept.